## লৱার কোর্টশিং থবক হৌরগনি

ধকা, জুলাই ৩১ (এজেন্সি) :

কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্কা মরম ওইরগা থা অহুমগী মমাংদা ঈ-জষ্টিস সিষ্টেমদা থবক তৌহনখিবা বাংলাদেশগী লৱার কোর্টশিং ওগষ্ট ৫ দগী মহৌশাগুম থবক তৌবা য়াহল্লগনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

বি দি ন্যুজ ২৪ না এপেক্স কোর্টকী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, চীফ জষ্টিস সয়েদ মহামুদ হোসাইন্না সুপ্রিম কোর্টকী সিনিয়র জজশিংগা তান্নরগা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। বাংলাদেশতা অহানবা কোরোনাভাইরস কেসশিং থেংনখিবা মতুং হৌখিবা মার্চতা গভর্নমেন্টনা নুমিৎ ৬৬ নিগী লোকদাউন লাউথোকখিবদগী লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্ট জেনরেল হোলিদেগী ফিভমদা লৈরকখি।

## হোং কোংগী লেজিসলেচরগী মীখল চহী অমা য়েথোকখ্রে

হোং কোং, জুলাই ৩১ (এজেন্সি) :

হোং কোংগী লিদর কেরি লামনা সিটি অসিগী লেজিসলেচরগী সীটশিংগী মীখল নোভেল কোরোনাভাইরস কেসশিং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা ইরাই নুমিত্তা চহী অমা য়েথোকখিবদগী মীখল অদুদা চাওনা মায় পাক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরিবা প্রো-দেমোক্রেসি ওপোজিসন নীংবা কায়খ্রে। সিটি লেজিসলেচরগী মীখল অদু সেপ্তেম্বর ৬ তা পাঙথোক্লবা লেপ্লম্বনি।

ওপোজিসন্না লেজিসলেটিভ কাউন্সিলদা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা সীট মশিং য়াম্না ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈখি। কাউন্সিল অসিগী অপুনবা সীটশিংগী তঙ্খায় অমদি হকথেংননা মীখল পাঙথোক্লগা খনবনি। অদুগা অতৈ তঙ্খায়দুনা বৈজিংগা তানরগা খল্লি।



সিটি অসিগী লিদর কেরি লামনা মীখল য়েথোক্লিবসি প্রো-দেমোক্রেসি কেন্দিদেট ১২ দিসক্কালিফাইদ তৌদুনা মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াররোই হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদনি। মীওইশিং অদুবু দিসক্কালিফাইদ তৌখিবগী মরমশিংগী মনুংদা গভর্নমেন্টকী থবক থৌরমশিং মায় পাকহন্দনবা শীনবা, অনৌবা সিক্যুরিটি লো য়াদবা অমসুং সিটি পুম্বগী মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বগী মায়োক্তা মীওই খরনা মীখলদা মায় পাক্লবগী কেম্প্যেন তৌবগী ৱাফমশিং য়াওই।

মীখল চহী অমা য়েথোক্লে হায়না লাউথোক্লগা ভোট পাঙথোক্লবগী অনৌবা মতমদি পনখিদবা লামনা ৱারেপ অদুগী মতাংদা পল্লদুনা মদু হৌখিবা থা ৭ অসিগী মনুংদা লৌবা খ্বাইদগী লুবা ৱারেপনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না লেজিসলেচরগী মীখল য়েথোক্লবগী ৱারেপ অদু মীয়ামগী হকশেলগী ফিভম ঙাক শেন্নবগীদমক্তনি। মীখল অদু বৈজিংনা হৌখিবা জুনদা অনৌবা সিক্যুরিটি লো চৎনহনখ্রবা মতুংদা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিদা পাঙথোকপা অহানবা ওফিসল ভোট ওইগদৌরিবনি। সিটি অসি কুমজা ১৯৯৭ তা ওটোনোমিগী গরেন্টি অমগী মখাদা চাইনিজ লৈঙাক্তা হল্লকখিবনি। ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোক্লরিবদি বৈজিংগী অনৌবা সিক্যুরিটি লো অদুনা সিটি অসিগী মীয়ামগী ফ্রীদমশিংদা অকায়বা পীদুনা টেরিটরি অসিদা ওথোরিটেরিয়ন লৈঙাক্কী ফিভম লাকপা য়াই হায়বসিনি।

## টালিবান ইনমেট ৫০০ থাদোক্লবা ওর্দর তৌখ্রে

কাবুল, জুলাই ৩১, (এজেন্সি) :

মতম শাংনা থিন্থদুনা লাক্লবা পিছ টোক য়াহনগদৌরিবা অনৌবা সীজফায়র অমগী শরুক ওইনা টালিবান প্রিজনর ৫০০ থাদোক্লবা অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিনা ইরাই নুমিত্তা ওর্দর তৌখ্রে।

প্রসিদেন্টনা ঘানিনা হায়খি মদুদি, মিলিটেন্টশিং ইরাই নুমিত্তগী হৌরিবা ইদ-অল অধা হোলিদেগী য়েংদুনা থাদোক্লগনি। কুম্ন্দে অসিনা মরম ওইদুনা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী নুমিৎ হুম্নিগী নেসনল সীজফায়র লাউথোক্লে। ইনৌ নৌনা টালিবান প্রিজনর ৫০০ থাদোক্কদৌরিবা অসিনা ৱাশিংটনগা লালহৌবশিংগা য়ানখিবা দিল অমদা পল্লিবা টালিবান ফাইটর ৫০০০ থাদোক্কনি হায়বা গভর্নমেন্টকী ৱাশক অদু মপুং ফাহল্লগনি।

টালিবানগী মায়কৈদগী গভর্নমেন্টকী নেসনল সীজফায়র অসিবু য়ানিংবা উৎলকখিবা অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না টালিবান প্রিজনর ৫০০ থাদোক্তুনা পিছ টোক থুজিন্নবগী খোঙথাং অসি লৌখৎলক্লিবনি হায়না প্রসিদেন্ট ঘানিনা ইদ কুম্ন্দেগা মরী লৈননা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।



তৌইগুম্বসুং অফঘান গভর্নমেন্টনা থাদোক্কদৌরিবা ইনমেট ৫০০ অদু টালিবান্না হান্না দিমান্দ তৌখিবা মীওই ৫০০০গী লিষ্টতা য়াওদে হায়রি।

কাবুলগী ওথোরিটিশিংনা প্রিজনর ৫০০০ দুগী মনুংদগী ৪,৬০০ হান্না থাদোকখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং ৱাৎহৌরিবা প্রিজনরশিং অদুদি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবশিংনি হায়রদুনা মখোয়বু থাদোকপদা খন্নবগী মতম খরা লৌখি। ঘানি অমসুং টালিবান অনীমক্কা প্রিজনরশিং থাদোক্লবা পুমলোই লোইরবদি ইদ মতুংদা ৱারী শান্নবা য়ারগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবসু লৈখ্রে।

## য়ু এসকা ৱারী শানবগী ৱাফম ইরানগী খামেনৈনা য়াখিদ্রে

দুবাই, জুলাই ৩১ (এজেন্সি) :

টেহরানগী বালিষ্টিক মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা নিগোসিএসন চথবগী ৱাফম ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোলা অলি খামেনৈনা ইরাই নুমিত্তা য়াখিদ্রে অমসুং ইরানিয়নশিংদা য়ু এসকী প্রেসর মায়োক্লবা অপিল তৌখ্রে।

অমেরিকানা ইরানগী মায়োক্তা শাথিরবা অথিংবা কয়া থাল্লিবসি ঐখোয়গী শেল-থুমগী থবক থৌরম পুম্নমক মপুং ফানা ফেল ওইহন্নবগীদমক্নি। মখোয়গী পান্দমদি লমদম অসিদা ঐখোয়গী ইথিল য়ারিবমখৈ লৈহন্দবা অমদি ঐখোয়গী ন্যুক্লিয়র কেপেবিলিটিজদা পনখৈ অমা লৈহনবনি হায়না টেলিভিজনদা লাইভ ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা স্পীচ অমদা খামেনৈনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিনা তৌবা ঙম্বশিংগী মপাং তাংবগা লোয়ননা থাউথাদোকপদা নৎত্রগা য়োনবদা মপান তাংবগী চাং হন্থহনবনা ইরানিয়নশিংনা অমেরিকাগী প্রেসর থিংবদা নৎত্রগা মায়োক্লবদা মতেং ওইগনি। অথিংবশিং লৌথোকপগী ফিভমদা ইরানবু লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামশিং কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম য়াহনখিবা লৈবাক অসিগা মালেমগী অতৈ পৱার ৬কা য়ানখিবা পেক্ট অমদগী য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কুমজা ২০১৮ দা য়ু এসপু ৱিঠদ্রো তৌখিবদগী টেহরান অমসুং ৱাশিংটনগী মরী হান্নদগী হেন্না শোকচিল্লকখি। য়ু এসনা অথিংবশিং অমুক হন্না থমজিনবগা লোয়ননা টেহরানগী ওইল এক্সপোর্টশিংদা য়াম্না চাওনা চৈথেং পীখি।

## প্লেন কাপথখিবগী মতাংদা ইরানগা ৱারী শানবা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই

কিভ, জুলাই ৩১, (এজেন্সি) : হৌখিবা জন্যুৱারিদা টেহরানদা য়ুক্রেনগী এয়রলাইনর অমা রনৱেদগী পাইখৎলবা মতুং মতম ইশাং শাংনা কান্নদনা কাপথখিবগী মতাংদা ইরানগা অহানবা রাওন্দগী ৱারী শানবা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়না ইরাই নুমিত্তা য়ুক্রেন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইরানিয়ন ফোর্সশিংনা য়ুক্রেন ইন্টরনেসেল এয়রলাইন্সকী বোইং ৭৩৭ জেট অদুবু কাপথখিবদা কানাদিয়ন ৫৭ য়াওনা প্লেন অদুদা তোংলিবা মীওই ১৭৬ শিখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইরান্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা কন্না উংখৎনরিঙৈ মতমদা পেসেঞ্জর প্লেন অদু মীসাইল অমা ওইরবোই নীংবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। লৈবাক অনীগী মথং রাওন্দগী ৱারী শান্নবদু ওক্তোবরদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

পুং ১১ চুপ্না নাকল অনীমক ৱারী শানখিবদু হৌখিবা অহিং অথেংবদা লোইশিনখি। মপুং ওইনা য়েংবদা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়না লৌবা য়াই হায়না ইরানিয়ন দিলিগেসন অমগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা য়ুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টর দমিত্রো কুলেবানা ভিদিও ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি।



মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা, নাকল অনীনা মথংগী ৱারী রাওন্দগী টার্মশিং য়ানরে। কিভকী মায়কৈদগী কনামত্তবু নিগোসিএসন তপহল্লোই। ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা অথেংবদা য়ুক্রেনগী প্রোসিক্যুটর জেনরেলগী ওফিসনা মথংগী ৱারী রাওন্দ অদু ওক্তোবরদা পাঙথোক্লবা লেপ্লরে হায়খি। ফোরেন মিনিষ্টর কুলেবানা হায়খি মদুদি, ইরানগা ৱারী শানবদা মায় পাক্তবা তারবদি য়ুক্রেন্না ইন্টরনেসনল কোর্টশিংদা ৱাকৎকনি। ইরানবু জটিস মায়োক্লহন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরে। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা থৌরাং অসিদি প্লান বিনি। ইরানগা চথরিবা প্লান এগী নিগোসিএসনদা থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা ইশ্যু খুদিংমক্কী ৱারোইশিন পুরকপা অমসুং ভিক্তিমশিংগী কম্পেন্সেসন পীবগী ৱাফম য়াওরি। মমাংদা প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিনা ইরান্না ওফর তৌরকখিবা কম্পেসেন্সনগী চাংদা পেন্দবা উৎপা লৈখ্রবনি।

## রসিয়নশিং বেলরসনা থুনা থাদোরক্কনি হায়না ক্রেম্লিননা থাজরি

মোস্কো, জুলাই ৩১ (এজেন্সি) :

য়ুমথংনরিবা বেলরসতা ফাজিন্দুনা থল্লিবা অমসুং টেরিজমগী থবক কয়া পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বগী মরাল শীখ্রবা রসিয়ন প্রাইভেট সিক্যুরিটি কন্ট্রেক্টর ৩০ হেন্না য়াম্না থুনা থাদোরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ইরাই নুমিত্তা ক্রেম্লিন্না ফোঙদোকখ্রে।

মমাংগী নুমিত্তদি রসিয়ানা মীওই কাঙবু অদুবু মিংস্কনা অরানবা মওংদা ফাজিল্লিবদুগী মতাংদা এক্সপ্লেনেসন অমা পীরক্কবা দিমান্দ তৌখি। থৌদোক অদুনা বেলরস অমসুং মতম শাংলক্লবা মীচং অমা ওইরিবা মোস্কোগী মরী হেন্না শোকচিল্লকপা য়াবগী ফিভম অমা লাকহনখি।

লাক্লিবা ওগষ্ট ৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট মীখলগী মাঙওইননা বেলরসকী তং তাবা ফিভম থুগায়নবগীদমক্তা লৈবাক অসিদা ফাইটর ২০০ হেন্না চঙশিনখ্রে হায়বগী পাউ ফংলে হায়রদুনা বেলরসিয়ন ওথোরিটিশিংনা চয়োল অসিদা কেপিটেল মিনস্ককী মনাক্তা রসিয়ন কাঙবু অমা ফাজিন্দুনা থমখিবনি।

ক্রেম্লিনগী স্পোক্সমেন দমিত্রি পেস্কোভনা ইরাই নুমিত্তা হায়খি মদুদি, রসিয়নশিং অদু বেলরস ফাওরগা অতোপ্পা লৈবাক অমদা চৎলিবনি। মখোয়গা বেলরসিয়ন পোলিটিক্সকা মরী অমত্তা লৈনদে। য়ুম্ফম য়াওদনা রসিয়ন সিটিজন ৩৩ ফাজিনবা হায়বসি ঐখোয়গী মীচংশিং ওইনবগী মরীগা য়াম্না চানদে। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না অথুবা মতমদা ঐখোয়গী মীচং ওইরিবা বেলরসিয়নশিংনা শোয়দনা শেংদোরক্কনি হায়না ঐখোয়দা থাজবা লৈরিবনি।

## অন্ধ্র প্রদেশকী গভর্নরনা ষ্টেট কেপিটেল অহুম থোক্লা খায়দোকপগী বিলশিং এপ্রুভ তৌখ্রে

অমরাবতি, জুলাই ৩১ (এজেন্সি) :

অন্ধ্র প্রদেশকী কেপিটেলবু অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়ানবগীদমক্তা গভর্নর বিস্বা ভুসন হরিচন্দননা এ পি দিসেন্ট্রেলাইজেসন এন্দ ইনক্লুসিভ দিভলপমেন্ট ওফ ওল রিজন্স বিল, ২০২০ অমসুং এ পি কেপিটেল রিজন দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (রিপিল) বিল, ২০২০ ইরাই নুমিত্তা অয়াবা পীখ্রে। বিলশিং অসি ষ্টেট লেজিসলেচরনা পাস তৌরবা মতুংদা গভর্নরনা অয়াবা পীখিবনি।

বিল অনী অসি হৌখিবা থাদা ষ্টেট এসেমব্লিনা পাস তৌরবা মতুংদা ৱাই এস জগন মোহন রেদিনা লুচিংবা গভর্নমেন্টনা জুলাই ১৭ তা রাজ ভৱনদা থাখি। বিল অমনা মমাংগী টেলুগু দেসাম পার্টি (টি দি পি) মনুংদা অমরাবতিদা কেপিটেল শান্নবগীদমক্তা শেমখিবা কেপিটেল রিজন দিভলমেন্ট ওথোরিটি (সী আর দি এ) মুত্থনবগীদমক্তনি অমসুং অতোপ্পা বিল অদুনা ষ্টেট অহুমগী কেপিটেলশিং শেম্নগা এদমিনিষ্ট্রেসন দিসেন্ট্রেলাইজ তৌবা য়ানবগীদমক্তনি।



ৱাই এস আর কোংগ্রেস পার্টি (ৱাই এস আর সী পি) গভর্নমেন্টনা এগজিক্যুটিভ কেপিটেল বিসখাপটনমদা হোংনবা, জুদিসল কেপিটেলনা কুর্নোলদা হোংনবা অমসুং অমরাবতিপুনা লেজিসলেটিভ কেপিটেল ওইনা লৈহন্নবা থৌরাং তৌরিবনি। অদুমওইনমক গভর্নমেন্টকী থৌরাং অসিবু কেপিটেল শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক্তা লম কথোকখিবা অমারবতিগী লৌমীশিংনা অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌরকখি।

বিল অনী অদু হান্না এসেমব্লিনা হৌখিবা জন্যুৱারিদা পাস তৌখি অমসুং লেজিসলেটিভ কাউন্সিলদা এপ্রুভেলগীদমক্তা থাজিনখি। অদুমওইনমক অপর হাউসতা মেজেরিটি ওইরিবা ওপোজিসন টি দি পিনা বিলশিং অসি পাস তৌবদা অপনবা পীখি। চরাংনবা মরক্তা চ্যেরমেন এম এ সরিফনা বিলশিং অদু সলেক কম্মিটিদা রিফর তৌরে হায়না লাউথোকখি। বিল অনী অসি পাস তৌবগী প্রসিজরগী মতাংদা গভর্নরনা লিগেল ওপোনিয়ন লৌবগী পাউ ফোঙনখ্রবনি।

## অফঘানিষ্টানদা ট্রেন তৌবা জয়স, লাস্কর মিলিটেন্টশিংনা ওগষ্ট ৫ গী মমাংদা ইন্দিয়াদা এটেক তৌরকপা য়াই

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ (এজেন্সি) :

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কন্সটিট্যুসনেল রি-ওর্গনাইজেসনগী অহানবা কুমওন নুমিৎ ওগষ্ট ৫ অমসুং নীংতম্বা নুমিৎ ওগষ্ট ১৫গী মাংওইননা ইন্দিয়ানা এটেক কয়া পাঙথোক্লবা পাকিষ্টান আর্মিগী স্পেসল সর্ভিস গ্রুপ (এস এস জি)না জয়স-ঈ-মোহমদ (জে ঈ এম) অমসুং লাস্কর-ঈ-তাইবা (এল ঈ টি)গী টেররিষ্ট ২০ লোম ট্রেনিং পীখ্রে হায়রি।

ইন্টলিজেন্স সোর্সশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, অনকনভেসনেল ৱারফ্যের (ক্রোস-বোর্দর টেররিজম)দা থোইদোক্লা হৈশীংলবা স্পেসল ফোর্স অমা ওইরিবা পাকিষ্টান আর্মিগী এস এস জিনা টেররিষ্ট বেচ ৪ দগী ৫ ফাওবা ট্রেন তৌখ্রে। হৌজিক টেররিষ্টশিং অদু লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) অমসুং ইন্টরনেসনল বোর্দর (আই বি) লান্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লোন্না থাজিনবগী থবক চথরি।



জম্মু সেক্তরগী বোর্দর ৱাংমদা পাকিষ্টানদা লৈরিবা ফোৱার্দ লোঞ্চিং পেদশিংদা ট্রেনিং ফংলবা এল ঈ টি অমসুং জে ঈ এমগী কাদর কয়ামরুম লৈশিনখ্রে হায়না সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

জম্মু রিজন অমসুং তাইনবা পঞ্জাবকী বোর্দরদা লৈরিবা পোইন্ট কয়াদগী মশিং য়াম্লবা টেররিষ্টশিং লৈবাক অসিদা তুমিন্না চঙশিন্নবা হোৎনরি হায়না জে এন কেকী ইন্টলিজেন্স কাংবুশিংনা থাজরি।

থাজবা য়াবা ইন্টলিজেন্স রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহীদা জে এন্দ কে রিওর্গনাইজ তৌখিবা নুমিৎ ওগষ্ট ৫গী মাঙওইননা এল ঈ টি অমসুং জে ঈ এমগী থবকশিং কনশিনখ্রে। লোকেল নহা অমা য়াওনা টেররিষ্ট অহুমগী গ্রুপ অমনা কাশ্মিরদা লৈবা বি এস এফকী কেম্প অমদা এটেক তৌনবা থৌরাং তৌরি। অসিগুম্বা ফিভম অসি লৈবদগী এল ও সী পরিং অমসুং জে এন কেগী আই বি পরিংদা লৈরিবা সিক্যুরিটি গ্রিদশিংগী মপাঙ্গল কনখৎহনখ্রে। হন্দক্তা কুকৱারা দিষ্ট্রিক্তা পাকিষ্টান্না নারোনদা মী থাজিন্নবা হোৎনরকখিবদা মায় পাকহনখিদ্রবনি।

## ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিং ওগষ্ট ৩১ ফাওবা লেপহনখিগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ (এজেন্সি) :

ইন্দিয়াদগী পাইগদবা অমসুং লৈবাক অসিদা পাইরক্কদবা সেদ্যুল কর্ম্মসল ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিং ওপরেট তৌবা য়াহন্দবগী ফিভম অসি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা ইরাই নুমিত্তা ওগষ্ট ৩১ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিদগী পাইগদবা নৎত্রগা লৈবাক অসিদা পাইরক্কদবা সেদ্যুল ইন্টরনেসনল কর্ম্মসল পেসেঞ্জর সর্ভিসশিংদা অথিংবা থল্লকপদু ওগষ্ট ৩১ গী আই এস টিদা পুং ২৩৫৯ ফাওবা শাংদোক্লবা ৱারেপ লৌরে।

ৱারেপ অসি লৌরকখিবগা লোয়ননা এয়রমেনশিংদা পীফম থোকপা অকক্লবা নোটিস পীখ্রে। তৌইগুম্বসুং অথিংবা অসি কার্গো ফ্লাইটশিং অমসুং দিরেক্টরেট জেনরেল ওফ সিভিল এভিএসন্না অখন্নবা এপ্রুভ তৌবা অতোপ্পা ফ্লাইটশিংদদি চৎনরোই।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ শন্দারকপা লাকশিন্নবগীদমক লৈবাক শীন-থুংনা লোকদাউন থম্বনা মরম ওইদুনা পেসেঞ্জর এয়র সর্ভিসশিং হৌখিবা মার্চ ২৫ লেপহনখি। অদুমওইনমক দোমেষ্টিক ফ্লাইট সর্ভিসশিংদি মে ২৫ দগী অমুক হৌহনখি।

## ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন হেল্থনা পান্দেমিক খন্নরগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১, (এজেন্সি) :

লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন ৱাংখৎলক্লিঙৈ মরকসিদা দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনবা ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্কী হৌজিক লৈরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নবগীদমক্তা ওগষ্ট ৪ দা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি।

কম্মিটিগী এজেন্দাগী মতুং ইন্না মীফম অদুদা সেক্রেটেরি, দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ রির্সাসকী সেক্রেটেরিনা কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্কী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অমদি মরী লৈনবা কন্টিজেন্ট অমসুং মিটিগেসন প্লানগী মতাংদা থল্লকপা ৱাফমশিং তাগনি।



মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ইন্দিয়াদা নোংমগী ওইনা কোরোনাভাইরস কেস ৫৫,০৭৯ রিপোর্ট তৌখি অমসুং মীওই ৭৭৯ ভাইরস অসিগী ইনফেক্সন্না মরম ওইদুনা শিখি। ইনৌ নৌবা কেসশিং অমসুং মীশিশিং অসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপুনবা কেস মশিং ১৬,৩৮,৮৭১ য়ৌখ্রে অমসুং শিখিবশিংগী মশিংনা ৩৫,৭৪৭ শুখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না লায়েংবদা ফদুনা দিসচার্জ তৌখ্রে। মশিং অসি এক্তিভ কেস মশিংদগী শরুক ১.৯ হেল্লি। মীওই ৫,৪৫,৩১৮ হৌজিক লায়েং চথরি।


GOVERNMENT OF MANIPUR

DIRECTORATE OF STATE COUNCIL OF EDUCATIONAL RESEARCH AND TRAINING

..............

**ADMISSION NOTICE**

Imphal, the 31st July 2020

No 18/28/2014/SCERT/DIET (pt-II) Online applications are invited from the intending candidates for admission to the 2 (two) years Diploma in Elementary Education (D.El.Ed) Course to the 9 (Nine) DIET centre viz Imphal west, Imphal East, Kakching DIET, Churachandpur DIET, Moirang DIET, Senapati DIET, Chandel DIET, Ukhrul DIET and Tamei DIET and also for 2 (two) years Diploma in Elementary Education course (Hindi) to Hindi Teachers Training Institute (HTTI) Imphal for academic session 2020-2022. Eligible Candidates can apply only one DIET center/HTTI through their respective website of the DIET/HTTI as per their choice. The details of the DIET center/HTTI including intake capacity, and website are given below

| Sl. No. | Name of Institution | Intake capacity | Website |
|---|---|---|---|
| 1. | DIET Center Imphal West | 50 | www.imphalwest.dietmanipur.com |
| 2. | DIET Center Imphal East | 100 | www.imphaleast.dietmanipur.com |
| 3. | DIET Center Kakching | 50 | www.kakching.dietmanipur.com |
| 4. | DIET Center Churachandpur | 50 | www.churachandpur.dietmanipur.com |
| 5. | DIET Center Moirang | 50 | www.moirang.dietmanipur.com |
| 6. | DIET Center Senapati | 50 | www.senapati.dietmanipur.com |
| 7. | DIET Center Chandel | 50 | www.chandel.dietmanipur.com |
| 8. | DIET Center Ukhrul | 50 | www.ukhrul.dietmanipur.com |
| 9. | DIET Center Tamei | 50 | www.tamei.dietmanipur.com |
| 10. | Hindi Teachers Training Institute (HTTI) D.M. College campus. | 50 | www.htti.dietmanipur.com |

2. Admission schedule :- Submission of online application to the respective DIET centre/ HTTI will be on **03rd Aug. 2020** and Last date of submission of the application to the Concerned DIET centre / HTTI will be on **17th Aug. 2020.**

3. Eligibility:- i) D.El.Ed. Course: - 10+ 2 pass or its equivalent with minimum 50% marks for General and 45% marks for OBC, SC/ST from a recognised Board /Council. ii)D.El.Ed. Course (Hindi): - 10+ 2 pass with Hindi as elective subject or M.I.L. or pass 10 +2 examination along with Kovid with minimum 50% marks for General and 45% marks for OBC, SC/ST from a recognised Board /Council.

4. Reservation of seat shall be as State Reservation rule of admission.
5. Selection to the above course will be strictly based on the merit (mark obtained) at 10+2 level.

Other information such as application form, fees structure and criteria for selection etc. are available on the website of the DIET center/ HTTI, given above.

Sd/- **Dr. M. Meenakumari Devi**
Director, SCERT
Government of Manipur

HL-B/6301/1


## মহারাস্ত্র গভর্নমেন্টতা মাইগ্রেন্টশিং হলহন্নবা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১, (এজেন্সি) :

মশা-মশাগী লমশিংদা হন্নবগী মতম ঙাইদুনা হৌজিকসু মহারাস্ত্রদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং মখোয়গী পোক্লফম লমদমশিংদা য়াম্না থুনা হলহনখিনবগী খোঙথাংশিং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লৌখৎকদবনি হায়না ইরাই নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

জষ্টিসশিং অশোক ভুসন, আর সুভাস রেদি অমসুং এম আর শাহগী বেঞ্চ অমনা হৌখিবা জুন ৯ দা থোকখিবা ওর্দর অমদা ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটরি খুদিংমক্না পন্দুনা লৈরিবা ৱর্কর খুদিংমক নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা ট্রেনশিং নৎত্রগা ট্রান্সপোর্টেসনগী অতৈ পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা মখোয় মখোয়গী পোক্লফম লমদমশিংদা হলহনখিনবা খঙহনখ্রবনি।

মহারাস্ত্র য়াওনা ষ্টেটশিংনা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎপা লৈদুনসু হৌজিকসু মহারাস্ত্র য়াওনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা মাইগ্রেন্ট ৱর্কর কয়া পন্দুনা লৈরি হায়না এপেক্স কোর্টনা ফোঙদোকখি।

বেঞ্চ অসিনা মাইগ্রেন্ট খরা হৌজিকসু মহারাস্ত্রদা মখোয়গী পোক্লফম লমশিংদা চৎনবগী ঙাইদুনা লৈরি হায়বা ৱাফম পনবা মহারাস্ত্র গভর্নমেন্টকী ইন্দষ্ট্রিজ, ইনর্জি অমসুং লেবর দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি রাজেস কুমারনা ফাইল তৌখিবা এফিদেভিট অমা পনখি। তোপ কোর্ট অসিনা এফিদেভিট অদুদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা মাইগ্রেন্টশিংগী মশিংসু পল্লি হায়নসু ওবজার্ভ তৌখি।

## সাইফউদ্দিন সোজ হাউস এরেষ্ট তৌরি

শ্রিনগর, জুলাই ৩১ (এজেন্সি) :

হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লিদর সাইফউদ্দিন সোজনা মহাক হৌজিকসু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লি হায়না ইরাই নুমিত্তা ক্লেম তৌখ্রে।

জম্মু এন্দ কাশ্মির গভর্নমেন্টনা সোজ হৌজিক ফ্রী ওইরে অমসুং মহাক মওং অমত্তগী ফাবা পুনবগী থৌওং অমত্তা চথবা লৈত্রে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা সোজনা ফোঙদোরকখি মদুদি, মহাক্না মশা নাদুনা লৈরিবা মচেগী ফিভম য়েংশিন্নবগীদমক্তা ইরাই নুমিত্তা শ্রিনগরগী হায়দরকোরাদা লৈবা গুলবক কোলোনিদা চৎখি। পুলিসনা মহাকপু মখোয়গী গাড়ি য়াওদনা চৎপা য়াহল্লোইদবনা পর্সনেল সিক্যুরিটি ওফিসর (পি এস ও)অনীসু মহাক্কা লোয়নখি। ঐহাক্না য়ুমদা হল্লকপদা পুলিসনা ঐহাক অফা-অপুন্নবা লৈত্রবা মীওই অমনি হায়বা উৎপা ভিদিও অমা পুথোরকখি।

অসিগুম্বা পুলিসকী ৱাফম অসি ওইদবা ৱাঙাং নত্তনা অতৈ অমত্তা নত্তে। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতম খরা হেল্লকপদসু ঐহাক্না মফম অসি থাদোক্লগা নক্লনা লৈবা ইচানুপীগী য়ুমদা চৎনবা হোৎনখিবদসু পুলিসনা অথিংবা পীদুনা থোকপা য়াহনখিদে হায়না সোজনা ফোঙদোকখি।

শগোলশেল নুমিত্তা গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন রোহিট কন্সাননা ত্বিট অমদা সোজ ফাজিন্দুনা থম্বগী ফিভম অমত্তা লৈত্রে হায়না লাউথোকখিবনি।